# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা


Roman Wardes and Gantcho Ganev


Charlie's Statue at Vevey

- ☞ হূরানবা অনীদুগী অশেংবা মমিংদি কাইনথংদা ফারবা মতুংদদি অমনা Roman Wardas কৌরম্লে, পোলেন্দ মচানি, চহী ২৪শুরম্লে। অমনা Gantcho Ganev কৌবা বুলগেরিয়া মচা ওইরম্লে, চহী ৩৮ শুরম্লে। পোলেন্দ মচাদুনা থবক ফংদবদগী ঙাওবা, বুলগেরিয়া মচাদুনা চেল্লক্লগা Lausanne সহরদা মেকানিক ওইনা লৈবা ওইরম্লে। মখোয়নিমক Keystone কম্পেনিদা মায় পাকখিদ্রবা আর্টিষ্ট ঙাক্তা ওইরম্লে।
- ☞ কাইনথংদা মখোয়নিগী জবান লৌবদা হায়দোক্লক্লে, থবক অদু মখোয়নীনা রেডিও পাউ অমদা ইটালিয়ান কারবাররৱালা, Salvatore Mataressa গী অশিবা মশা হূরাল্লগা শেল তানবগী পাউদু তাবদা অদুম্না মখোয়নীসু শেল তান্নীংবদগী অদুগা ৱার্কশোপ অমা শাগৎনবগী হূরানবনি হায়রে।
- ☞ মখোয়নিগী রিপোর্টতা কূ হূরানবা অদু নোং য়াম্না চুবা নুমিদাং অমা ঙাইখি। নোং মরক্তুদা মং অদু তৌবদা পুং অনী চঙখি। মখোয়নীনা খন্নবদি কূ অদু মং অদুমক্তদা খরগা হেন্না লুনা তৌথরগা মথক্তা লৈবাক্লা কূপশিল্লগা উহন্দনবা খন্নবনি। অদুবু নোং অদুনা লৈখোম থোকমনবনা মখোয়না নীংবদু পাঙথোকপা ঙমখিদে। অদুনা য়াম্না ৱানা কূ অদু থাংলগা মখোয়গী কারদা হাপখিবনি। লোৎফম অমা থিখিবনি।
- ☞ Oona দি হেক হৌবদগী শেল পীবা য়াখিদে। মানা হায়, "My husband is in heaven and in my heart" অদুগী মথক্তা মাগী নুপানা অসুম্না শেল পীবসি য়াম্না য়ারমদে হায়। অদুবু মখোয়গী উকিল, Jean - Felix Paschoud নদি ৱাফমসি হৈনা লোইশিন্নবা হোৎনসি হায়খি। শেল পীমল্লক্ত্রবা অদুদদি হূরানবশিংদুনা চার্লিগী মচা-মশু হাৎকনি কিহল্লক্লে। অদুনা চার্লিগী মচা অতোনবা Christopher অদু স্কুল কাথোক-কাশিন পুলিসনা শেন্নরে।
- ☞ Geraldine না হৈনা শান্নরে। হূরানবশিংদুগী কোল পূম্বা মানা হেক হেক পায়। কপশিন্নদনা, নৌথশিন্নদনা মথ্বায় ৱাবগী খোঞ্জেলতমক তাহনখ্রে। পূন্না কোল ২৭ লক তৌরকখি। হূরানবা অনীদু তন্থরক্লে, লাপ্না লৈরগা ফোন সুম তৌরম্বদগী Lusanne সহরদুদা নক্লা লৈরগা কোল তৌখৎলক্লে। মখোয় অয়াম্বা মতমদা কোল বুথতগী তৌরকই। অদুনা পুলিসনা বুথ পূম্বা শেন্নরে। কাইনথংদা বুথ অমদগী ফাবা ঙম্লে।
- ☞ ফারবা মতুংদা মখোয়নীনা তাকপদগী কূ অদু মাইল ২০ লোম চৎলগা লৈবা Noville কৌবা খুঙ্গংগী লৌবুক অমদগী ফূক্তুনা লৌরুরে। মফমদু Lake Geneva কৌবা পাৎ অদুগী নোংপোক থংবা মপান্দনি। পাৎ অদুদা ৱার্দাস কৌবা পাৎ অদুগী নোংপোক থংবা মপান্দনি। পাৎ অদুদা ৱার্দস হায়রিবা হূরানবদু হেক হেক খোই চোপ্পা চৎপদগী খঙবনি। লৌবুক অদুগী মপুদুনা চার্লিগী কূ ফুম্লম্বা মফমদু নুংশিদুনা উগী ক্রোস অমা য়ুংদুনা থমখি। মদুদা চার্লিনা পামজবা লীচৈ অমসু ঙাদুনা থমখি।
- ☞ ১৯৭৮গী দিসেম্বরদা ৱার্দাসকা গানেভকা বিচার তৌরে। সাক্ষিনা Geraldine না লেপ্লে। ৱার্দাসনা চহী ৪গা মখায় জেলদা থমখ্রে। অদুগা গানেভনা থা ১৮।
- ☞ চার্লি লৈত্রবা মতুংদা মালেম পূম্বদগী মাবু থাগৎনরকপা লেপত্রি। ফ্রেঞ্চ সিনেমাগী মমিং লৈরবা Artist, Rene Clair না ইরকখি - "He was a monument of the cenema of all countries and all times. He inspired practically every film maker."
- ☞ Laurence Oliver নসু ইরকখি, "He was, perhaps, the greatest actor of all time." অদুগা Jean-Louis Barrault নসু ইরকখি, "He was the supreme example of the perfection of the actor and the creative genious."
- ☞ ফ্রেঞ্চকী ফিল্ম কোমেদিয়ান, Jacques Tati না অসুম্না ইরকখি, - "Without him I would never made a film with Keaton he was the master of us all." অসুম্না Federico Fellini না অসুম্না ইরকখি, "He was a sort of Adam, from whom we are all descended. He was a Vagabond, but the solitary aristocrat, the prophet, the priest and the poet."
- ☞ মাবু য়ারমখিদ্রবা অমেরিকাদগী ফাওবা Bob Hope না অসুম্না ইরকখি, "We were fortunate to have lived in his time"

- মথং-মথং

# মহাউ লৈনা খজিং অমদি হৈনৌ থোংবা




**চঙগদবা পোৎচঙ ঃ**

- ❖ ময়ায় ওইরপ চাউবা খজিং খরা
- ❖ কূপ্না শোইরবা তিলহৌ অমা
- ❖ য়ুবী অশোইবা কপ অনী
- ❖ গুল মরিচ মরু ১০
- ❖ ফদিগোম মরু চামচ অমা
- ❖ জীরা চামচ অমা
- ❖ মোরোক অকংবা মঙা
- ❖ য়াইঙং মকুপ চামচ অমা
- ❖ মঙ্গে খরা
- ❖ হৈনৌ অশংবা অমা (পানা শোইরবা)
- ❖ চান্নগদবা চাংদা থুম, অচা থাউ অমদি ঈশিং খরা খরা

**থোংবগী মওং :**

- ❖ খজিংদা থুম তোৎশিল্লগা নাকলদা তোখায়না থমখ্রো।
- ❖ মঙ্গে অদু ঈশিংদা মিনিট ১০ রোম থীৎলগা মরু লৌথোক্লো।
- ❖ মোরোক, ফদিগোম মরু, জীরা, য়াইঙং, য়ুবী অমদি মঙ্গে পূন্না তকখায়রগা পেষ্ট শেল্লো।
- ❖ মৈথক্তা খাং থাংগৎলগা অচা থাউ হৈরবা মতুংদা তিলহৌ ঙৌরো। মরু মরাংগী পেষ্ট অদু .হাপচিল্লগা মখা তানা মিনিট অনী রোম ঙৌরো।
- ❖ হৈনৌ অশোইবা, ঈশিং অমদি থুম হাপচিল্লগা শৌহল্লো।
- ❖ মিনিট মঙারোম লৈরগা খজিং হাপচিল্লো অমসুং মুন্দ্রিফাওবা শৌহল্লো।
- ❖ থাংথরগা ফোঙ-ফোঙ শানা চাক্লা চামিন্নবা য়ারে।

# কা হেন্না শম কেনবগী লায়না

## এলোপিসিয়া

কা হেন্না শম কেনবগী থৌওংবু মেদিকেলগী লোলদা এলোপিসিয়া হায়রগা খঙনৈ। মওং মতৌ অমদি হৌরকফম খেন্নবগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা শম কেনবগী মখল কয়ামরুম লৈ। খরদং পল্লবদা নুপা অমদি নুপীগী ওইবা কোক তাঙবগী মওং; এলোপিসিয়া এরিয়টা; স্কেরিং এলোপিসিয়া; এনাজেন এফ্লুবিয়ম অমসুং টেনুজেন এফ্লুবিয়মনি।

নুপাগী ওইবা কোক তাঙবগী মওং (মেল পেটর্ন বোল্ডনেস) হায়বসিনা খ্বাইদগী তোয়না থেংনবা শম কেনবগী মওংনি। মশাগী চহী ৫০ শুরক্লবা মীওই অয়াম্বা খুদোংচাদবা অসি মায়োক্নে। মশাগী চহী ৩০ শুরমদাইদগী তপ্না তপ্না শম কেনবা হৌরকপদুনা চহী ৫০ শুরকপদদি শম পাথরকপা, চিরাই তাঙলকপা নত্রগা কোক পুমতাঙ তাঙলকপা য়াওই।

ইমুং মনুংগী ওইবা ঈ মরীদগী মথং-মথং থঙথরকপা খুদোংচাদবা অসি






নুপাগী ওইবা হোর্মোন মখল অমা চাং ৱাংনা য়াওবদগী শমখোঙদা কা হেন্না সেন্সিটিভ ওইরক্তুনা থোকহল্লকপনি। মসিনা নুপা খক্তা নত্তনা নুপীদসু শোকহল্লকপা (ফিমেল পেটর্ন বোল্ডনেস) য়াওই। নুপীগী ওইনদি কোক মথক্তা লৱাই মপাদা শম পাথরকপা থেংনৈ। অয়াম্বা মতমদা থাগী খোঙকাপ খম্লকপা, হায়বদি মশাগী চহী ৫২ শুরকপগী অদুৱাইদা খুদোংচাদবা অসি মায়োক্নগল্লি।

কোক্কী মফম অমদা কোয়রোক কোয়না মচেৎ অমা কোক তাঙবগী মওংবুনা এলোপিসিয়া এরিয়টা হায়না খঙনৈ। ইম্যুন সিষ্টেমদা অশোয়বা লৈবদগী ওইহল্লকপা খুদোংচাদবা অসি চহী মতাং অমদা হেক্তা মায়োক্নরকপা য়াই। অতোপ্পা লায়না অমনা মরম ওইরদুনা শমখোঙ শোকচিল্লকপদগী শম কেনবগী থৌওংবু স্কেরিং এলোপিসিয়া কৌই। নুপা, নুপী, অঙাং, অহল খাক্তনা খুদোংচাদবা অসি মায়োক্নে। কোক খক নত্তনা হকচাংগী মফম পুম্নমক্তগী শম কেনবগী থৌওংবু এনাজেন এফ্লুবিয়ম হায়না খঙনৈ। কেন্সর লায়েংবদা শীজিন্নবা কেমোথেরাপি, ইম্যুনোথেরাপি অমদি রেদিওথেরাপিনা খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকপনি। চাং মান্ননা কোক্কী মফম পুম্নমক শম পাথরকপগী থৌওংবুনা টেলোজেন এফ্লুবিয়ম হায়রগা খঙনৈ। ৱাখল ৱাবা, অঙাং উনবা, অতোপ্পা লায়না লৈবা, চাবা থকপগী মওং খংহোং হোংবা অমসুং ময়াক কনবা হিদাক চারুবদগী খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকপনি।

ওইহল্লকপগী মরম খেন্নবগী মতুংইন্না লায়েংবগী মওং মতৌসু খেন্নে।

# নুপীশিংনা খঙবদা কান্নবা কেবগী মওং

মকে শেম্বগা মরী লৈনবা থৌরাং কয়ামরুম লৈ। মতাং মতম চানা থৌরাংশিং অসি লৌখৎলবদি শম, উনশা, মীৎ অমদি খুজিল-খুয়া ফজবা হেনগৎহন্দুনা শকসু ফজনা উহল্লি। নুপী খুদিংমক্লা মকে শেম্বগা মরী লৈননা খঙজিনবদা কান্নবা থৌরাং খরা মখাদা থমজরি :

- ❖ কনাগুম্বনা খুজিল মচু শঙলগা খুদক্তা কংহনবা পাল্লবদি উন শৌদোরকপগী মহীমুক ঈংবা অঙ্গৈবা ঈশিংদা খুৎ লুপশিনগদবনি।
- ❖ নেল পোলিশ তৈরমদাইদা ওলিভ ওইল খরা খুজিলগী অকোয়বদা তৈশিনহৌগদবনি। মসিনা খুজিলদগী হেন্দোরকপা অমসুং উনশাদা চুশিন-খিগদৌবা নেল পোলিশ লায়না কোকহনবা ঙমগনি।
- ❖ নেল পোলিশ মচেৎ মচেৎ কোকথরকপনা খুজিলগী মশক থীহল্লি। অদুবু হান্নগী মচু অদু খোক্তোক্লগা নৌনা অমুক তৈশিন্দ্রবসু হান্নগীদুগী মথক্তা স্পার্কল কোট অমা তৈশিল্লবদি য়েংবদা অদুম্মক ফজনা উগনি।
- ❖ নেল পোলিশ হেক তৈবগা এনশাং থোংবগী নত্রগনা ঈশিং শৌবগী মনিল কারকপা মপা অদুদা ইঞ্চি মঙারোম লাপ্না খুৎ থম্লগা সেকেন্দ অহুমগুম্বা খুজিলদা অশাবা ঈশিং মনিল য়েহল্লবদি খুজিলগী ফজবা হেনগৎলক্কনি।
- ❖ ফাউন্দেসন তৈশিনখ্রবা মতুং ফনা কুইনা লৈরগা চৎথোক্কদবা লৈরবদি পাওদর থাবগী মহুৎতা ফেস ওইল দ্রোপ খরা খজাই অনীমক্তা তৈশিল্লবদি মশেক মঙাল থোক্লা মায়গী ফজবা হেনগৎলক্কনি।
- ❖ করিগুম্বা মীৎপান য়েক্লবা আয়-পেন্সিল অমসুং চীনবাল য়েক্লবা লিপ-পেন্সিল ইপেৎ পেৎথোরক্লবদি ফ্রিদজদা পুং অমরোম থম্বা মতমদা কনশিল্লক্তুনা শীজিন্নবা নুংঙাইগনি।
- ❖ অয়ুক য়াহৌবগা খুদক্তা ঈশিং অঙৈংবনা মায়-মীৎতা চাইশিল্লবদি খুদক্তা মায়-মীৎ পোম্বা ফহনগনি।
- ❖ অয়ুক্তা ঈরুজরমদাই খুদিংগী অথোৎপা ব্রশ অমা পায়রগা হকচাং শীন-থুংনা তপ্না-তপ্না নানগদবনি। মসিনা অশিবা সেলশিং লৌথোকপগা লোয়ননা ঈগী ঈচেল ফগৎহন্দুনা উনশাগী ফজবা হেনগৎহল্লি।






Title: Women Who sale Vegetable
By: Krishnapriya
Class: III (Sangai) Roll No. 35
School:


Title: Shinchan and his Dog
By: Lamjingba
Class: KG (Maroon) Roll No.
School: Lee Faith School


Title: A Dolphin
By: Kh. Urvashi
Class: I (Diamond) Roll No. 03
School: Heritage Convent



Title: Naruto
By: Ksh. Nongpokngaba Singh
Class: VII (A) Roll No. 20 Sec - A
School: Iramdam Maheikol, Langmeidong


Title: Rabindranath Tagore
By: Yumnam Romesh Singh
Class: III Roll No. 13
School: Reliance Academy School


Title: Bird
By: Sheloingamba Khangembam
Class: I Roll No.
School: Green Wood School, RIMS Road


Title: A Hen
By: Grevish
Class: III (Iolite) Roll No. Sec - Iolite
School: Heritage Convent


Title: A Great White Shark
By: Thawanthaba W.
Class: KG (B) Roll No. 18
School: Premier English Academy